# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 02-10-2024)**

**দেঙ্গি (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা দেঙ্গি লায়না শন্দোরকপা থিংনবা সরকারনা অকনবা থবক পায়খৎলি।

ষ্টেট মেলারিয়া ওফিসার-ডা: সলাম প্রিয়োকুমারনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-লায়না অসিদগী ঙাকথোকবা সরকারনা কাং হিদাক কাপথোকপা, কাং মচা পোকফমশিং লৈহন্দবা, এৱারনেস প্রোগ্রাম, কাংখল হিদাক লুপ্পা, এভরটিজমেন্ট, স্ত্রিট কোনর মিতিং, প্রেস ব্রিফিং, রেদিও জিঙ্গল অমদি রেদিও টোল্ক, মাইক পান্দুনা লাউবনচিংবা থৌরাং কয়া পায়খৎলি। মসিদা নত্তনা কেন্দ্র কেন্দ্রশিংগী এম.এল.এশিং, লোকেল ক্লবশিং, আশা হেলথ ৱাকরশিংনসু লায়না অসি থিংনবা লেপ্পা লৈতনা থবক পায়খৎলি। মসিগীসু মথক্তা এনতোমোলোজিকেল সর্ভে, যুম যুমদা চৎতুনা য়েংশিনবনচিংবা থবক কয়াসু ষ্টেট মেলারিয়ার ওফিসার, ষ্টেট ইপিদিমোলোজিষ্টশিংনা নেসনেল ভেক্তর বোর্ন কন্ট্রোল প্রোগ্রামগী ওফিসিএলশিংগা লোয়ননা থবক পায়খৎতুনা লাক্লি। লায়না অসি থিংনবা হোৎনবদা মীয়াম পুন্না য়াওশিনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়নসু মহাকা মখা তারি।

মহাকা হায়-মীয়ামনা করিগুম্বা দেঙ্গি লায়নানা নারম্বা য়াই হায়না চিংনরবদি ইরাই লায়না টেষ্ট তৌবা য়াবা মফমশিংসু হাংদোক্তুনা থমলে।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়-চহি অসিগী জানুৱারী অমদগী ঙরাং ফাওবদা রাজ্য অসিদা দেঙ্গি পোজিটিব ওইবা কেস মশিং পুন্না লিশিং ১,৪৫৩ শুরে। মসিগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদনা খ্বাইদগী চাং ৱাংনা মথংশিৎনা ৮৬৪ অমসুং ২৯৮ ওইরি।

হৌজিক ফাওবদা রাজ্য অসিগী পুন্না খুল ৩৪৫ দা দেঙ্গিগী কেস থেংনরে।

**কম্ম্যুনিতি(এল) ঃ** রাজ্য অসিদা অহানবা ওইনা মোদেল এদোলেসন্ট ফ্রেন্দলি হেলথ ক্লিনিক অমা অৱাং সেকমাইদা হাংদোকখ্রে। হায়রিবা ক্লিনিক অসিদা কাউন্সিলিং, এক্তিভিতি, রিক্রেসন রুম, শান্নফম, ঈশৈ নোংমাইগী পোৎলমশিং লৈহনদুনা খুদোংচাবা কয়া পীরি।

নেসনেল হেলথ মীসন মনিপুরগী ষ্টেট দোনেল ওফিসার (এদেলেসন্ট হেলথ)-ডা: ৱাহেংবম জল্লিনা হায়-ক্লিনিক অসিদা মতম মতমগী ওইবা কেরিয়ার কাউন্সিল্লিংগী খুদোংচাবসু লৈহনবগা লোয়ননা মখোয়গী লমচৎ শাজৎ ফগৎহন্নবসু হোৎনগনি। হৌগৎলক্লিবা নহাশিংদা হকচাংগী ফিভম ফনা থমবা হোৎনবদা মতেং পাংগদৌরিবা মফম অসিদা অঙাংশিংবু থাবীরকবসু মহাকা আপিল তৌরি।

**দিৱামিং(এল) ঃ** লৈবাক শিনবা থুংবদা চখুরিবা নেসনেল দি-ৱার্মিংগী থৌরম রাজ্য অসিদসু মায় পাকা চখুরি। অনিশুবা তাঙ্কক্কী নেসনেল দি-ৱার্মিংগী থৌরম ঙরাং জোনেল এদুকেসন ওফিসার-ৱাঙ্গোইনা শিনদুনা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা মহৈরোইশিংগী এৱারনেস প্রোগ্রাম অমদি হেলথ চেকঅপনচিংবসু পাঙথোকখি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী তোঙান তোঙানবা স্কুলশিং অমদি প্রাইমারি হেলথ সেন্টরশিংদসু নেসনেল দি-ৱার্মিংগী থৌরম পাঙথোকখি।

**তোবেকো(এল) ঃ** নেসনেল তোবেকো কন্ত্রোল প্রোগ্রামগী মখাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী কোন্থৌজমদা লৈবা ফ্রি প্রোগ্রেস একাডমীদা এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা অখণ্ড অহৈশিংনা হিদাক মনা শিজিন্নবগী অমাংবগী মতাংদা ৱা ঙাংখি। থৌরমদুদা মহৈরোইশিং, স্কুলগী ষ্টাফ অমদি অতৈ মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

**এইদস(এল) ঃ** দিষ্ট্রিক্ট এইদস কন্ট্রোল ওফিসার, ইম্ফাল ৱেষ্টনা শিনদুনা ঐচ.আই.ভি-এইদসকী মতাংদা নীংথিনা ভাব তাহন্নবগী থৌরম অমা ঙরাং এস.কে. আইদিয়েল হায়স্কুল-ঙাইরাংবমদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা দিষ্ট্রিক্ট এইদস ওফিসার ইম্ফাল ৱেষ্ট-ডা: হেমোলাতানা ঐচ.আই.ভি. এইদসকী মতাংদা মীয়ামদা নীংথিনা খঙহনখি।

অমরোমদা, মনিপুর ষ্টেট এইদস কন্ট্রোল সোসাইতিনা শিনদুনা ইন্টগ্রেটেদ হেলথ কেম্প অমসুং ইনটেন্সিফাই আই.ই.সি কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী খুম্বোং মমাং লৈকাইদা ঐচ.আই.ভি.-এইদসকী মতাংদা মীয়ামবু নীংথিনা খঙহনবা লীলা অমসু উৎখি।

**স্বাচছতা (এল) ঃ** স্বাচছতা হি-সেভা কেম্পেইনগী মখাদা পায়খৎপা খোঙথাং অমা ওইনা ঙরাং ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলদা সেনিটরি ৱাকরশিংগী ওইবা হেলথ চেকঅপকী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অমসুং দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল ককচিংনা পুন্না শিনদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা পুন্না সেনিটরি ৱাকর ৫০ গী হেলথ চেকঅপ তৌখি।

**রেল্লি(এল) ঃ** গ্রাম সভা মোবিলাইজেসনগী মতাংদা মীয়ামবু নীংথিনা খঙহন্নবগীদমক ঙরাং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পৌরাবি লাইনিংথৌ পুথিবা ভিলেজ লেবেল ফেদরেসননা শিনদুনা রেল্লি অমা চৎখ্রে।

**জয়েন্তিঃ** লৈবাক অসিনা ঙসি জাতিগী মপা মহাত্মা গান্ধিগী ১৫৫ শুবা মপোক কুমওন নুমিৎতা মহাক্কী মফমদা ইকায় খুমবা উৎলি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা লৈবাক্কী মনুং অমসুং মপানদা থৌরম কয়া

পাঙথোক্কনি। লৈবাক্কী কোনুং দিল্লিগী রাজঘাটতা লৈবা মহাত্মা গান্ধিগী সমাধিদা ধর্ম্ম পুমমক্কী ওইবা লাইশোল থৌরম অমসু পাঙথোক্কনি।

মনিপুরদসু থৌরম অসি পাঙথোকবা শেম শারে। মপুং ওইবা থৌরম রাজ্য সরকারনা শিনদুনা ইম্ফালগী গান্ধি মেমোরিএল হোলদা হৌজিক অয়ুক পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা লুচিংদুনা মীয়ামনা জাতিগী মপা মহাত্মা গান্ধিগী মফমদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎকনি।

নুমিৎ অসিগা মরি লৈননা, মনিপুরগী রাজ্যপাল-লক্সন প্রসাদ অচ্যারিয়ানা মীয়মাদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। মহাক্কী পাউজেলদা রাজ্যপালনা হায়-মহাত্মা গান্ধি অচুম্ববু পামজবা, চাউথোকপা লৈতবা, য়ামা চমা হিংজবা পান্বা লুচিংবা অমনি। মহাত্মা গান্ধিনা তন্বীরম্বা কয়া অদু ঐখোয় খুদিংমকা ইনদুনা চৎলবদি লৈবাক অসি শান্তি লৈবা অমদি মরা চেৎপা লমদম অমা ওইহনবা ঙমগনি হায়নসু মহাকা মখা তারি।

লৈবাক অসিনা ঙসি প্রধান মন্ত্রি ওইরম্বা লাল বাহাদুর সাস্ত্রিগী মপোক কুমওন নুমিৎতসু মহাক্কী মফমদা ইকায় খুমবা উৎকনি।

**পিএমঃ** গান্ধি জয়েন্তি নুমিৎকা মরী লৈননা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হৌজিক অয়ুক ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা স্বাচ ভারত দিবস ২০২৪ দা শরুক য়াগনি।

মসি লু-নানবগী খ্বাইদগী পাক চাউরবা ইহৌ স্বাচ ভারত মীসনগী চহি ১০ মপুং ফারকপগা মরী লৈননা পাঙথোকপনি। থৌরম অদুদা শ্রী মোদিনা লুপা কোতি লিশিং ৯,৬০০ হেনবগী সেনিটেসন অমসুং লু-নানবগা মরী লৈনবা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিং খরগীনা যাত্র হুনগনি অদুগা খরা অমগীনা শঙ্গাগনি।

# ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

পোকফম পাউ-চেদা-দ্রোন্দগী বোম থাদবা, কুকি মিলিটেন্ট ৯০০ চঙলকপগী ৱাফম অরানবা ঙাক্তনিঃ আর্মি চীফনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকলদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা-ফাজিনখিবা অনিগী ঈহৌ কনশিল্লক্লি, ঙসি মনিপুর পুম্বা জেনরেল ষ্ট্রাইক লাউথোকখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদনা অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মনিপুর ন্যুজতা-জিরিবামদগী মোরে য়ৌনা ত্রেন কন্নেক্সন লৈগদবনা কুকিশিংনা সেপরেট এদমিনিষ্ট্রেসনগী অচৌবা মঙলানদা জিরিবামদা অতমনা এট্রেক চথবনি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা-পুং ৪৮ গী থৌবাল দিষ্টিক্ট জেনরেল ষ্ট্রাইক অদু মনিপুর পুম্বগী ওইনা চথরগনি হায়না জে.এ.সিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা-ইম্ফালদগী অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা পাইগদবা ইয়রলাইনশিংগী অতোংমল হন্থহন্নবা এম.পি. সনাজাউবনা য়ুনিয়ন মিনিস্তরদা তকশিনখ্রে হায়বা পাডনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সনা লৈবাক্তা-কুকিনা হোষ্টেজ ওইনা ফাজিনদুনা থল্লিবা নহা অনি শিরিব্রা, হিংলিব্রা খঙদ্রি, ঙসি জে.এ.সিনা মনিপুর বন্দ কৌখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর মেলদা-হেলথ মিনিস্তর-ডা: সাপম রঞ্জননা তোবোকো ফ্রি য়ুথ কেম্পেইন টু পোইন্ট জিরো হৌদোকখ্রে হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা-থোইথোইবা অমসুং থোইথোই ফাজিনখিবগী মায়োক্তা পুং ২৪ গী মনিপুর বন্দ কৌখে হায়না বেন্নর হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা-মনিপুরদা থোক্লিবা হিংশাগী মায়োক্তা জেনেভাদা খোঙজং চংশিনখিবগী পাউ-চে অসিগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

তমেংলোংদা ফোংবা গানফিয়ু মেলদা- মীতৈ হেরিটেজ সোসাইতিনা ফাজিনখিবা নহা অনি অথুবা মতমদা থাদোকপীরকউ হায়বা পাউনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা-তমেংলোং দি.সি. অমদি জেট.ই.ওনা জিলা অসিদা ইহান হানবা স্মার্ট ক্লাস রুম অমা তমেংলোং জ্নিয়ার হায়স্কুলদা চবাগনদা হাংদোকখিবগী পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।